Monday, October 01, 2018, Imphal

HUEIYEN LANPAO

# অন্দর-১৯ নোক-আউট ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএন এস) ঃ সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম ২০১৮গী মখাদা ষ্টেট অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা পায়খৎকদবা থৌদাং অমসুং সেন্ট্রেল পুলিস ফোর্সকা অফবা মরী লৈনবা অমদি ফুটবোলবু চাওখৎহন্নবগীদমক মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ সেক্তর সী আর পি এফকী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস রাজেস কুমার (আই পি এস), ৬৯শুবা সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট অমদি য়ুনিটকী টিমগা খূৎশম্নরগা অচানবী লৈকায় ফুটবোল গ্রাউন্দদা ঙসিদগী ওক্টোবর ২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্দর ১৯ নোক-আউট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৮না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা অন্দর ১৯ নোক-আউট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ থৌরম অদুগী দাইজ মেম্বর ওইখিবা অর্জুন এৱার্দি ওইনাম বেমবেম অমসুং সী আর পি এফ ইম্ফাল রেঞ্জকী দি আই জি পি রিটয়ার্দ বৃগেদিয়র এস কে শর্ম্মনা হৌদোকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈ অমসুং এম ৱাই দি সী মন্ত্রি পুখ্রি শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীনা ফজনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈনা এম ৱাই দি সী মন্ত্রি পুখ্রিবু পাঞ্জল ৬-২দা মায়থীবা পীখি। কে ৱাই এফ এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সিলকিনা গোল ৩, বোইনাওনা গোল ২ অমদি রোসন্না গোল অমা চনখি। মায়থীহৌরবা এম ৱাই দি সীগী গোল অনী অদুনা দিপথাপানা চনখি।

অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এস দি ৱাই সী সেবাদাল অমসুং মঙাল এফ এ শান্নখি। অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপদা মঙাল ফুটবোল একাদেমিনা পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি। মঙাল ফুটবোল একাদেমিগী মায় পাকপগী গোল অদু দল্লিয়ু মনিয়াইমনা চনখি।

অন্দর-১৯ নোক-আউট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই এস এন সী অমসুং ঐচ য়ু এফ সী হৈঙাং শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী হৌনা ঐচ য়ু এফ সী হৈঙাংনা ৱাই এস এন সীবু লাকচরপ তৌনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপগা লোয়নন্না ঐচ য়ু এফ সী হৈঙাংনা ৱাই এস এন সীবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি। ঐচ য়ু এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মাইকেলনা গোল ২ অমদি চানদবোয়না গোল অমা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা অমসুং ঙসিগী অরোইবা গ্রাউন্দগী মেচ ওইনা কে এল এস সী কোন্থা অমসুং এন এ দি ও অচানবীগৈ শান্নখি। মেচ অদু এন এ দি ওনা কে এল এস সীবু য়াম্না লাকচনা শান্নখিবগা লোয়নন্না মেচ অদুগী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপদা এন এ দি ওনা কে এল এস সীবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখি।

## ত্রায়ল কম সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা ওক্টোবর ১০দগী হৌদুনা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮দা শরুক য়ানবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী প্লে গ্রাউন্দদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী জুনিয়র টিম শেম্নবগীদমক ওক্টোবর ৪দগী ৬ ফাওবগী অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা ত্রায়ল কম সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি।

ত্রায়ল কম সেলেক্সন অসিদা ক্লব, এসোসিএসন, ওর্গেনাইজেসনশিংগী শান্নরোয় ১০/১০ শরুক য়াগদবনি। শান্নরোয়শিংগী দেট ওফ বর্থনা কুমজা ২০০২গী জন্যুৱারী ১দগী কুমজা ২০০৩গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা পোকপা শান্নরোয় ওইগদবনি। ত্রায়ল কম সেলেক্সন অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অসিনা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমদি নগর পঞ্চায়টনা ইস্যু তৌবা ওরিজিনেল দেট ওফ বর্থ সার্টিফিকেট, ওরিজিনেল অধার কার্দ, ওরিজিনেল স্কুল রিদিং সার্টিফিকেট, পাসপোর্ট সাইজ ফোটোগ্রাফ ২/২গা লোয়ননা ককচীংগী দি এস এগী শান্নবুংদা ত্রায়ল নুমিৎকী অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী জেনরেল সেক্রেটরি এম নিলোনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

অন্দর-১৪ ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮

# নুপাগী ইন্দিভিজ্যুএল ইন্দিয়ন রাউন্দদা বি সী এ সীগী এল ওলেন্না ওভরওল ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর আর্চরি এসোসিএসন (এম এ এ) গী মীৎয়েং মখাদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী আর্চরি গ্রাউন্দদা সেপ্টেম্বর ২৯দগী ৩০ ফাওবা নুমিৎ নীনি চূপ্না পাঙথোকখিবা ১২শুবা মিনি অন্দর-১৪ (বোইজ এন্দ গর্লস) ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী নুপাগী ইন্দিভিজ্যুএল ইন্দিয়ন রাউন্দদা বি সী এ সীগী এল ওলেন্না ওভরওল ৱিনর ওইখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা নুপা অমসুং নুপীগী ইন্দিয়ন রাউন্দ ইভেন্টতা আর্চর ৯২ অমসুং কম্পাউন্দ অমদি রিকর্ভ ইভেন্টতা ২৯ পূন্না আর্চর ১২১না শরুক য়াদুনা রিকর্ভ, কম্পাউন্দ অমদি ইন্দিয়ন রাউন্দ হায়না ইভেন্ট অহুমদা অথোই অহেন তান্নখিবা ১২শুবা মিনি অন্দর-১৪ (বোইজ এন্দ গর্লস) ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী ঙসি চাংদম্নখিবা নুপাগী মিটর ৩০গী ইন্দিভিজ্যুএল ইন্দিয়ন রাউন্দ ইভেন্টতা এন এস এগী এল নেলসন্না পোইন্ট ৩৪৩ ফংদুনা অহানবা, ভি এ এগী এল য়োহেনবনা পোইন্ট ৩৪২ ফংদুনা অনীশুবা অমসুং কে এম এ সীগী এল বোবিনা পোইন্ট ৩৭৭ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপাগী মিটর ২০গী ইন্দিভিজ্যুএল ইন্দিয়ন রাউন্দ ইভেন্টতনা বি সী এ সীগী এল ওলেন্না পোইন্ট ৩৪৬ ফংদুনা অহানবা, কে এম এ সীগী এল বোবিনা পোইন্ট ৩৪৫ ফংদুনা অনীশুবা অমসুং কে এম এ সীগী অতোপ্পা শান্নরোয় সী ঐচ বিসোনা পোইন্ট ৩৪৩ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। কেটেগোরি অসিগী ওভরওল ৱিন্নরনা ভি সী এ সীগী ওলেন্না পোইন্ট ৬৮২ (এক্স-১১, ১০-২৯) ফংদুনা তাখি। অদুগা কে এম এ সীগী এ বোবিনা পোইন্ট ৬৮২ (এক্স-১১, ১০-২৬) ফংদুনা রন্নর্স-অপ অমদি এন এস এগী এল নেলসন্না পোইন্ট ৩৭৮ ফংদুনা সেকেন্দ রন্নর্স-অপ তাখি।

# খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাংখূৎ মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) ঃ শিংজমৈ কাঙখূৎ চীংঙা-মথকনা শীন্দুনা লৈখিদ্রবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমদি পুন্যবতিগী মীংদা হরে কৃষ্ণ অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংনা স্পোন্সর তৌদুনা চথুরিবা ৭ শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি মেমোরিএল মিক্স লীগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাংখূৎ মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।



কাংখূৎ ১৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা চথুরিবা ৭শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি মেমোরিএল মিক্স লীগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মরিশুবা অমসুং অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র অমসুং ওইনাম কেন্দ্র কাংখূৎ শান্নখি।

মেচ অদু খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাংখূৎনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুগা ওইনাম কেন্দ্র কাংখূৎনা মায়কৈ খনখি। কাংখূৎ অনীগী মায়কৈদগী সেমী ফাইনেল চঙনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা কাপ্নখিবা কাং অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা কাংখূৎ অনীমক্না পাঞ্জল ১৫/১৫দা লৈনবদগী টাই ব্রেক তাখি। মিনট খরা হাপ্তুনা কাংখূৎ অনীনা সেমী ফাইনেল চঙনবা অমুকসু লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাংখূৎনা ওইনাম কেন্দ্র কাংখূৎপু পাঞ্জল ২২-১৯দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি। মেচ অদুদা টি ঐচ কুমারনা অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।




HL-B/4720/24/6-21/08 (alt.)



HL-P/5416/2239-2/10


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com